**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 13-01-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৩-০১-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী জিলাশিংদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা সেকুর্যরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথরি।

২) অহানবা অমৃট স্নান পাঙথোকপগা লোয়নননা মহাকুম্ভ মেলা ঙসি পৌষ পুর্নিমাগী নুমিৎ অসিদা উত্তর প্রদেশকী প্রয়াগরাজদা হৌরগনি।

**অমসুং**

৩) থৌনাওজম বমবমনা বেঙ্কোক্তা পাঙথোকখিবা থাইলেন্দ ফাইতিং চেম্পিয়নশিপ টি.এফ.সি টেনগী চেম্পিয়ন ওইরে।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী জিলাশিংগী তোঙান তোঙানবা চিংনবা মফমশিংদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা সেকুর্যরিতি ফোর্সকী মাইকৈদগী অকনবা চেকশিল থৌরাং লৌখৎতুনা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

পুলিস কন্ত্রোল রুমগী পাউনা হায়-নেসনেল হায়ৱে-২দা সেকুর্যরিতিগী অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোয়নননা নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুবা গারি ২৯৫ ইম্ফালদা পুশিল্লকখ্রে।

অমরোমদা, নেসনেল হায়ৱেশিংদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক

সেক্যুরিতি ফোর্সকী মাইকৈদগী অকনবা চেকশিল থৌরাংশিং লৌখৎলি। চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা নাকা চেকপোইন্টশিং হাংদোক্তুনা আইন কাইবা থৌদোকশিং থোক্তনবা লেপ্পা লৈতনা চেকশিল থৌরাংশিং লৌখৎলি।

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা আই.জি.এ.আর সাউথকী এ.বি.এস.এম, এস.এম, দি.জি.এ.আর লেফটনেন্ট জেনরেল বিকাশ লখেরা অমসুং সেনামেদল মেজর জেনরেল রভরুব সিংহগা ঙরাং ববুপারাদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা মুখ্য মন্ত্রিগী পোষ্ট অমদা হায়-উন্নবা অদুদা রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সা য়াওনা ঙমখৈগী ৱাফম খন্নখি। উন্নবা অদুদা, রাজ্য অসিগী শান্তি রক্সাগা মরি লৈননা অসাম রাইফলসকী মাইকৈদগী পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা লেফটনেন্ট জেনরেল বিকাশ লখেরা অমসুং মেজর জেনরেল রভরুব সিংহনা মুখ্য মন্ত্রিদা পাউদমখি।

**মহা কুম্ভ ঃ** অহানবা অমৃট স্নান পাঙথোকপগা লোয়ননা মহাকুম্ভ মেলা ঙসি পৌষ পুর্নিমাগী নুমিৎ অসিদা উত্তর প্রদেশকী প্রয়াগরাজদা হৌরগনি। মসিগীদমক মপুং ফানা শেম শারে।

মরক অসিদা, ঙরাং কেন্দ্রগী কলচর অমসুং টুরিজম মন্ত্রি গজেন্দ্র সিংহ সেখাৱটনা প্রয়াগরাজগী মহাকুম্ভ নাগরদা কালাগ্রাম হৌদোকখ্রে। লৈবাক অসিগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতি মীয়ামদা উহন্নবা পান্দমদা কলচর মন্ত্রালয়না কলাগ্রাম শেমগৎপনি। পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সেখাৱটনা হায়-কলাগ্রাম অসিদা খূৎশা হৈবগী পোৎলমশিং, চানা থকবা অমসুং কলা সংস্কৃটিগী মচাং মথুম কয়া উৎলি। মহাকা হায়-লৈবাক অসিগী আর্টিস লিশিং ১৪, ৬০০ হেনবনা লাক্লিবা নুমিৎ ৪৫ নি অসিদা কলাগ্রাম অসিদা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া উৎকনি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-মহাকুম্ভ মেলা অসিগীদমক প্রয়াগরাজগী মফম

কয়াদা উ-ৱা থাদুনা উমং শেমগৎলে। মসিনা মহাকুম্ভ মেলা য়াওবা লাক্লিবা ভক্তশিংদা অশেংবা নুংশিৎ নুংশা নিংথিনা ফংহনবগা লোয়ননা অকোইবগী ফিভমদসু অকায়বা থোকহল্লরোই। নুমিৎ ৪৫ নি চত্থগদবা থৌরম অসিনা ধর্ম্মগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা নত্তনা মালেমগী মফম কয়াদগী লাক্লিবা যাত্রিকশিংগী হকশেলগী মতাংদসু নিংথিনা য়েংশিনগনি। হকশেলগী লমদা পায়খৎপা মপুং ওইবা থৌরাং অমদি মীৎ শোকপদগী ঙাকথোকবা নেত্র কুম্ভ আই ফিয়ার অসিনি। থৌরম অসিগী মখাদা অনোক লাখ ৩ য়েন্থোকপা, নুমিৎ খুদিংগী মীওই লিশিং ১০ লায়েংনবগী পান্দমদা ও.পি.দি লাখ মঙা পাঙথোকপনচিংবা য়াওরি। নেত্র কুম্ভ অসিদা মীৎ দান তৌবগী কেম্পসু পাঙথোক্কনি।

লৈবাক্কী মফম কয়াদগী লাকপা ডোক্তর ২৪০ গী কাংবু অমনা মহাকুম্ভগী হকশেলগী থৌরাংদা শরুক য়াগনি।

**মুরমুঃ** রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, উপ-রাস্ত্রপতি জগদিব ধনখর অমসুং লোক সভাগী অধক্ষা ওম বিরলা য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুচিংবা কয়ানা লোরি কুন্মৈগী য়াইফ পাউজেল পীরি। মখোয়না হয়েং পাঙথোক্কদবা মকর শংক্রান্তি, পোঙ্গল অমসুং মাঘ বিহু কুন্মৈগী য়াইফ পাউজেলসু পীরি। মহাক্কী পাউজেলদা রাস্ত্রপতিনা হায়-কুন্মৈশিং অসিনা লৈবাক অসিগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃটিগী খুদমশিং উৎলি অমসুং মীয়ামগী পুন্সিদা হরাউ নুঙাইবা পুরক্লি। মহাকা হায়-কুন্মৈশিং অসি লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মওং কয়াদা পাঙথোক্লি। শ্রীমতি মুরমুনা লৈবাক অসিগী লৌমীশিংনা লৌরিবা থৌদাংবু থাগৎখি। কুন্মৈশিং অসি অয়াম্বনা লৌ লোকপা মতুংদা পাঙথোকপনি । মীয়ামা পুন্না হোৎনমিন্নদুনা ভারতপু চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নরসি হায়না রাস্ত্রপতিনা মখা তাখি।

উপ-রাস্ত্রপতি জগদিব ধনখরনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়-পাঙথোক্লিবা কুন্মৈশিং অসি মতম কয়াদগী লৈবাক অসিনা চত্থদুনা লাক্লিবা লৌরোক পন্থাবু ইকাই খুমবা ডৎপা কুন্মৈশিংনি। মসিনা লৈবাক অসিগী ফজরবা চৎনবীবু

উখোক্তুনা তোপ তোপ্পা শক্তম অমা উৎলি।

**ছতিসগরঃ** ছতিসগরদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা খূৎ থোকবদা নুপী অনি য়াওনা মাওইষ্টকী মীওই ৫ শিরে। মাওইষ্টশিং লৈরে হায়বা অককবা পাউ অমা ফংবদগী বিজাপুর জিলাগী নেসনেল পার্ক এরিয়াদা সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবুনা ঙরাং অয়ুক থিবা হুম্বগী চথুবদা নাকল অনিগী মরক্তা খূৎ থোকরকপদগী মীওই ৫ অদু লৈখিদবনি। মফম অদুদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা সেল্ফ লোদিং রাইফলস অমসুং বি.জি.এল.লোঞ্চর য়াওনা খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম ফংলে।

**জয়সঙ্করঃ** মপাল থৌরম মন্ত্রি ডা.এস জয়সঙ্করগী স্পেনগী নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি। খোঙচৎ অসি মপাল থৌরম মন্ত্রি ওইনা শ্রী জয়সঙ্কনা অহানবা খোঙচৎনি। খোঙচৎ অসিদা শ্রী জয়সঙ্করনা লৈবাক অদুগী মপাল থৌরম মন্ত্রি ইমানু্যল অলবর্ট য়াওনা মকোক থোংবা লচিংবা কয়াগা উন্নদুনা হীরম কয়াদা ৱারি শান্নগনি। মহাকা স্পেনিস অম্বাজাদরগী ৯ শুবা চহীগী মীফমদা ৱা ঙাংগনি অমসুং লৈবাক অদুদা লৈরিবা ভারত মচাশিংগসু উন্নদুনা ৱারি শান্নগনি।

**এম.এম.এঃ** থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা পাঙথোকখিবা থাইলেন্দ ফাইতিং চেম্পিয়নশিপ টি.এফ.সি টেনগী চেম্পিয়ন ইন্টরনেসনেল এম.এম.এ চেম্পিয়ন থৌনাওজম বমবমনা ওইরে। চেম্পিয়নশিপ অসিগী ফাইনেল মেটচ অমদা ভারতকী মহুৎ শীন্দুনা শান্নখিবা বমবমনা মহাক্কী লম্বা থানাপোন রতাৱাংবু অহানবা রাউন্দদা টেকিকেল নোক আউটতা মাইথিবা পীদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ৱিনর ওইবা ঙমখিবনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা কোরি ময়ুম নিংথেমনা কোচ ওইনা, মোইরাংথেম জোয়চান্দনা মেনেজর ওইনা, অদুগা, চিংঙাংবম সনাহেনবনা টিম লিদর ওইনা ভারতকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াখি।

**বেটমিন্টনঃ** মহারাস্ত্রগী নাগপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা নাখেরদা থা অসিগী ১৭তগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ৬৯ লক শুবা জনিয়র নেসনেল বোল বেটমিন্টন চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদবা ওফিসিএল অমদি শান্নরোইশিংদা য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকখ্রে। থৌরম অদু ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী চিংঙামখা লুৱাংপোকপা মোদেল ক্লব গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবনি।

মণিপুরগী টিম অসি মহারাস্ত্রগীদমক হয়েং ইম্ফাল থাদোক্কনি।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী জিলাশিংদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথরি।

২) অহানবা অমৃট স্নান পাঙথোকপগা লোয়ননা মহাকুম্ভ মেলা ঙসি পৌষ পুর্নিমাগী নুমিৎ অসিদা উত্তর প্রদেশকী প্রয়াগরাজদা হৌরগনি।

**অমসুং**

৩) থোনাওজম বমবমনা বেঙ্কোক্তা পাঙথোকখিবা থাইলেন্দ ফাইতিং চেম্পিয়নশিপ টি.এফ.সি টৈনগী চেম্পিয়ন ওইরে।

**--পাউ লোইজরে--**

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

গান-ঙাই কুম্মৈ পাঙথোকপা হৌখিবা, কুম্মৈ অসি হৌদোকপগী থৌরমদা চিফ মিণিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন য়াওনা মিণিষ্টর গোবিন্দাসনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম, তাংখুলশিংনা তান্থোরকপদগী এ.আরগী হোংবৈ কেম্প থুপচিনখ্রে

হায়বা পাউ অমদি কোন্সাখুলগী খুঞ্জাশিংনা চংশিল্লিবা মতম কক্তবা লম্বী থিংবগী খোঙজং হন্দোকবা কোটুগী আপিল য়াখিদ্রে হায়বা পাড য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোঙবা পাউচেশিংগী অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোঙনরি।

পাউশিং অসি হুইয়েন লানপাউ, নহারোলগী থৌদাং, মণিপুর নিউজ, সনালৈবাক, ইচেল এক্সপ্রেস, পোকফম, পীপলস ক্রোনিকল, সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসন, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মণিপুর মেল-পাউচেশিং অসিদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙনরি।

অনৌবা গভর্ণর অমসুং চিফ সেক্রেটরিনা মনিপুর লানগী ৱারোইশিন পুরক বা হোৎনরক্কদ্রা, এন.পি.পিনা ঙসি গভর্ণরগা উন্নদুনা ৱারোইশিন পুরকবা তকশিনগদৌরি হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কুকি মিলিটেন্টশিংদা উখ্রুলগী এস.পীনা মতেং পাংবা লৈতেঃ মণিপুর পুলিস-হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর নিউজতা-লমদম অসিগী মীয়ামা মপুং ওইনা থবক তৌরবা খক্তদা চাউখৎকনি, হৌরকফম থিগৎতবা মীওইশিংগী পন্থুং মফম খঙলোই, মাই পাক্লোইঃ চিফ মিনিষ্টর- হায়না অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। কোন্সাখুলগী খুঞ্জাশিংনা চংশিল্লিবা মতম কক্তবা লম্বী থিংবগী খোঙজং হন্দোকবা কোটুগী আপিল য়াখিদ্রে হায়বা পাউসু পাউচে অসিগী অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

তাংখুলশিংনা তান্থোরকপদগী এ.আরগী হোংবৈ কেম্প থুপচিনখ্রে, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাতরদা ঙসি এ.আরগা তাংখুলশিংগা ৱারি শান্নগদৌরি-হায়বা পাউনা সনালৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস

মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসনদসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

মণিপুর ৱাথোক্কী হৌরকফম ওইরিবা এঙ্গলো কুকি ৱার সেন্তিনরি গেট কুকি মশানা মৈ থাজবা ওইরম্লে-হায়বা পাউ ইচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি খুদিংমক্তা পাসপোর্ট কেন্দ্র অমমম থম্লগনি ঃ য়ুনিয়ন মিণিষ্টর-হায়বা পাউনা পোকফম পাউচেগী অনিশুবদা হেদলাইন তৌরি।

চিফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা মরামদা পাঙথোকপা এম.কে.এসকী জেনরেল কনফরেন্সতা শরুক য়াখিবা অমদি থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিংগী যাত্রা হুনখিবগী পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেস, গান-ফিউ মেল, তামেংলোং তাইমস পাউচেশিং অসিগী অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোঙলি।